ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯶, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯰꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, মার্চ ২৬, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ০০৩শুবা মশীং

## করপসন ফ্রী - মণিপুর

### কনানা শরিক থাংগনি

করপসন হায়বসি 'শেঞ্জা-থুমজা' হায়রিবসি ওইগনি। থবকসিদা চেন্নরিবনা পীবা মীগা লৌবা মীগনি। মী অমখক্তা নত্তে। তোঙান-তোঙানবা মী অনী চেন্নরিবনি। অদুগা থবকসিসু ফোংনা মীয়াম মাঙদা ফোটো নমদুনা, ভিদিও রেকোর্দিং তৌদুনা হায়বদি হৌজিক্কী মতমগী লোন্দাদা হায়বা তারগনা 'সেলফি' গা তৌরগা পাঙথোক্লবা থবক নত্তে। লোন্না থুপ্না, মচি-মরুমদা অপীবা মীগা লৌগদবা মীগদং য়ানরগা পাঙথোকপা থবকনি। লোগী মিৎয়েংদা হায়বদি 'প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট' কী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্নদি অনীমক মরাল লৈ, পূন্না চৈরাক ফংবা য়াই। হায়বদি লোনা য়াদবা থবক অমা লন্নাই মীওই অনীনা কম্মিট তৌবনি। অদুগা অসিগুম্বা থবকসিগী মতাংদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেসশিংগী ৱায়েল চত্থনবা তোঙানবা দিজিগনেটেদ কোর্টশিং ফাওবা সেসন্স জজগী লেভেলদা থল্লি। অদুবু পূন্নমকসিনা করপসন অমসুং মসিগা মরী লৈনবা লো অমসুং কোর্টকী ওইবা ৱানি। লুরিবদি মণিপুরবু করপসন ফ্রী ষ্টেট অমা ওইহনবদা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন দিপার্টমেন্টনা, চীফ মিনিষ্টরদা হায়সি হায়রিবসিনা এন্টি করপসন সেল ওইনা ওন্থোক্লগা য়ারগদ্রা হায়বগী ৱানি। হোয়, য়ারোই হায়দুনা করিমত্তা তৌদনা লৈশিনববুদি শিৎ নান্না পুমকোক কোকহনবা ঙমদ্রবসু খরা তৌগনি হায়রক্লিবসিদি ওন্থোক্লা মমল য়ামখ্রে। মায় পাক্ত্রবসু তৌনীংবগী পোক্লক্লিবা ঈথিল অদুম্মক থাগৎফম থোকই। অদুবু মণিপুরবু করপসন ফ্রী ষ্টেট অমা ওইহনগনি হায়বসিদা করি-করি থবকশিং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈগদগে হায়বা ৱাহংসি তুংওইনরম্লগা খুন্নমদনা নাথৈদুনা থন্নম্বা য়াই। লাইরিক-লাইশু হৈরবা মশাগী চানবা শিনফম, শেন্থোক লৈবা থবক্কী মপু ওইজবা ফংদ্রিবা মীওইশিংগী মশীং লাখ-লাখনা খুজিং ওইদুনা লৈরগা মসিবু হান্না সোল্ব তৌদনা করপসন ফ্রী ষ্টেট অমা ওইহনবা ওইথোক্কদ্রা? অন-এমপ্লোয়মেন্ট প্রোব্লেম অসিদি করপসনগী মরূ অমখক্কী ৱানি। মসি থোকহল্লকপগী অতোপ্পা মরম ময়ামসু লৈরিবনি। মসিদি থম্মোয় শেংবা, ইন্টিগ্রিটি লৈবা খক্তনসু য়ারোই। থম্মোয় ফনা শেংবা মীওইদু লেপ্তুনা চরা হেঞ্জিল্লক্লগদি 'চানবা লৈতে তখেন্থাং' হায়দুনা অঙম্বা পাম্বে শোয়দনা থিরক্কনি। মদ্বাইদু য়ৌরকপদদি করপসননা ৱাই চাইরক্কনি।

মরম অসিনা শেঞ্জা থুমজা মূত্থৎকে হায়রবদি মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মীয়ামগী পুন্সি মরেল থোং মান্ননা চাওখৎহনবা হায়বসি তঙাইফদবা থৌশিল অমা শোয়দনা ওইফম থোক্তব্রা? ফীভমদুদা য়ৌরক্লগসু মখা শাংথনা চত্থনরক্লগনা লমহেন-তুহেনবনি লৌগনি। অদুবু মসি নত্তবদদি হিদান্নরকপা/ফম্মুন্নরকপগী ফীভমদা লৈরিবা মখৈদি য়াখিরোই। য়ারোই হায়দুনা তূমিন্না লৈবসু চুমদে। য়ানবা, ঙম্নবা হোৎনবা চঙই। মতম চঙজ সনু হোৎনরকউ। পাইপ পোকখায়দুনা মৈ হৌদুনা চাক্লিবা গ্যাসকী মৈদু লম্মখাংদা মূত্থৎনবা হোৎনববুদি সিলিন্দরদু হান্না ওফ তৌশিনবনা চুমগনি। উসা-ৱাসা খরা মসা থাববুদি মরূ ফূক্তৎপনা চুমগনি হায়বনি। হন্দক পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল অদুবু ফ্রী এন্দ ফেয়র ইলেক্সন ওইহন্নবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না ওন্থোক্লা কন্না হোৎনখি। চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরনসু অরৈবা পাম্বে পুথোক্তুনা হোৎনখি। ওবজার্ভর মরোল-মরোল হাপখি। অদুবু এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সি ৬০গী মনুংদা লম্বা তৌনখিবা মীরেপ অমত্তনা ভোটরশিংদা মখোয়গী ভোটকী মমল অমত্তা পীখিদবা য়াওরমগদ্রা? পনবা য়াবা অতোপ্পা ফীভম অমনা মণিপুরদা টোটেল প্রোহিবিসন এক্ট চৎনহল্লক্তুনা 'দ্রাই ষ্টেট' ওইহল্লক্লিবসি কয়াম কুইরবগে? অদুবু য়ুঙাং-য়ুঙৌগী ফীভমদি মতু নাম্মা তেকহনবা ঙম্লিব্রা? এন্টি-করপসন সেলগী থবক থৌরমশিংদি য়ুগী ফীভমসিদা লাক্তবদি ওইসনু। পীরকপা কাঙবু লাখনা খুজিং ওইদুনা থোরক্লবসু লৌগদবা কাঙবুদি য়াচল লাকপা লায়না থোকপনিনা নাকল নাম্মা হান্না থিংজিনবা ঙম্ব্রা, মায় পাকপ্রা য়েংঙু। মসিসু তৌদবা, করপসনগী হৌরকফমশিংসু মরূ ফূক্তোকপা ঙমদ্রগদি মণিপুরবু করপসন ফ্রী ষ্টেট অমা ওইহনগনি হায়রিবসি ঊচি ময়াম্না হৌদোংগী মঙক্তা শরিক থাংনবা খন্নরগা ৱারেপ লৌবগা পাঞ্জক ওইদুনা তোক্কনি। মমাঙগী লৈঙাকসু মৌ অনৌবী ওইরিঙৈদা ত্রান্সপরেন্সি, একাউন্টেবিলিটি কায়না য়াম্না তোয়না ঙাঙ-শকখিবনি হায়বা মীয়াম্না কাউদ্রি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৮

১) মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিকনি 'খুরুমজবগী অথুপ্পা মহাউ (ভক্তি রস)' হায়বসি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"লমকোয়বগী খোর্জেদগী"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো, করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) অয়েকপম শ্যামসুন্দরগী ***"মাইনু পেমচা"*** হায়বসি ইংরাজিদা কনানা হন্দোকপগে?


৪) ***"মালঙনা লৈখোক্তা হংখি/কদাই ঙরাংগী শিঙ্গারৈ,/লেমহৌবা উফুলদা হংখি/'সিরা ঐগী মপোক্তো।।/কল্লবা উনানা ৱাকৎলি/করিগী কেলহল্লি ঐবু/শিন্নরম্বনি উপালদা/য়েন্নিংথানা হল্লক্ত্রিফাও।।"*** শক্লাইরবা শৈরেংবা অমগী শৈরেং মতেকনি। শৈরেংবসি কনানো, মাগী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

৫) ***"খোইয়ম অশীবদি, লয়শেম লয়রোই ঙমদনবগী, কুরু শিদবা সনা মখোঙ-খা চেংলৌ মায়থোং-ওন, কুমচীং হিগোক লীওংনা, য়াথং পাউমেনজঙমদা, শমু খোঙবী লয়খৈ য়েংনা ৱাইথুংলববু, নমু মীপূক খঙবা লাইয়িংথৌনা, মপারী শককোয় চিংনা য়েংনা শানখঙলুরবগী, পারী অতোনবা, শংলৌ মথৌরাংনরিঙৈনে, নিঙখল্লুরবগী অমরক ৱাহমখিয়ে।"*** ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নুপী চেনবা হায়বসি মতমসিদা চুনরিব্রা?

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



ঐনা নৈনজগদৌরিবা হীরমসি মতমসিগী অরুবা লায়না অমগী মরমদনি। মসি লন্নাই ওইনা ঐতগী ওইবা কোক্তা হাইগৎলকপা নুংশিৎ খরদু চম্না কাঙথোকচবনি। ঐদি থিজিনবা তনগনবা মী অমনিনা মসিগীদমক থোইদোক্লা অহল লমন অখঙ অহৈ তানদুনা অমদি অরুবা লাইরিক লাইশু, পুয়া পারগা নৈনজবা ৱাফমসু নৎচদে।

নুপী হায়বসি নুপাগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা জীব অমনি। নুপাগী মরুপনি, বাইওলোজিকেল্লি অমদি ইমোসনেল্লি। নুপাগা নুপীগা প্লানেট অমমমদা লৈনবা য়াবা নত্তে। নুপাগা নুপীগা পূনবদগী তাইবঙপাল মখা শমথরিবনি। নৎত্রবদি চহী চাম্মগী মনুংদা তাইবঙপাল মরূ ফংনা মূত্থৎপা ঙম্মী। নুপী হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা জীব অমনি। নুপীনা মরু ওইবমুক নুপাসু মরু ওই, চপ মান্ননা।

নুপাসু নুপীসু তাইবঙগী মরু ওইবা জীব অমমমনি, অমনা হেন্দে অমনা ৱাৎতে। অনীমকসি মশা মশাগী ৱাখল খন্নবা থোপ পাল্লি, লৌশিং লৈজৈ, অপাম-পামদা লৈনৈ অদুনা লম্বীদা চৎলিবা নুপী খুদিংমক নুপাশিংনা করিসু পাম্বা ওইদে। অউ অউবা নুপা খুদিংমকপুসু নুপীনসু করিসু পামদে। হীরম খরদা মানা মানা পামজবা অদু থোক্লরবা মতমদা নুপাদুগা নুপীদুগা নুংশিনৈ, চান্নজৈ, কায়নবা ঙমদবমখৈ নুংশিনজৈ। থম্মোয় থম্মোয় শিন্নজৈ, কৎথোক্লজৈ, কায়নরগা কপচনজৈ। মৈরৌ হেন্দা হেনজিন্না নুংশিনখ্রগদি কায়নবদা থম্মোয় কায়নদুনা নুপা নৎত্রগা নুপীদু থৌরি য়ান দুনা, হূ চাদুনা শিবা ঙম্নরক্লি, ঙম্নরকখিগনি অমদি ঙম্নরি, ফবা নৎত্রগা ফত্তবা অদুনা ৱাফম অমা ওইজখ্রে। মসি মহৌশাদগীনি। ৱায়থুংনবগী প্রোসেসতনা, ইহান হানবমক্তদা নুপাদুগা নুপীদুগদু তপ তানা নুংশিনরনি অদুদগী অমুক মবানিদু মতুংদা ৱায়থুংনগনি। অসুম্মাইনা তৌদুনা নুপাগা নুপীগা লুহোংদুনা লৈমিন্নখিগনি। লুহোংবদা নত্তনা কৈন্যা কৎপা, কোর্ট মেরিএজ হায়বনচিংবা কয়া কয়াগী মতুংইন্না লৈমিন্নখিবসু কোঙ্গায়নি। লুহোংবগী তোঙান তোঙান মমিং কয়ামুক লৈজ সনু কায়দে।

ঐ লুহোংনীংঙে হায়দুনা লম্বীদা চৎলম্বী মশক চঙখোনবী বালা মানবী, বিজু মানবী, মোইরাং থোইবী মানবী, প্রিয়াঙ্কা চোপ্রা মানবী লৈশাবী অমবু নঙ ঙসিদগী ঐগী নুপী ওইরদৌবনি হায়দুনা চঙশিন্দুনা মখূজেং তাপ হেক্তা পায়রগা ফাদুনা য়ুমদা পুরক্লগা হেক্তা লুহোংথোকপা য়াগদ্রা? মসি য়াদে, চৎনদে। অহানবদা নুপী অদু চেনবা চোঙবা অমা চঙই নৎত্রগা হায়না শীংনবা অমা চঙই। য়ানবা অমা চঙই।

নুপী চেনবা হায়বসি করিনো? মতম খরা নুংশিনদুনা লৈনরবা-লৈনরবী শাবি-শানৌ অনী অদু থানবা নুমিৎ অমদা নুপীগী মমা-মপা, শাগৈ-নাতৈ, মরী-মতা অমত্তা খঙহল্লম্বা তৌদনা মবানীতগী ওইবা তুংগী পুন্সি অমগীদমক নুপা অদুনা নুপী অদুবু পুরকপা অদুবু নুপী চেনবা হায়না কৌই। অদুনদি চেনবা নুমিৎতুদা নুপী অদু নুপাদুগী কষ্টদিদা লৈরে। মদু নোংমা নৎত্রগা নোংমদগী হেনবা নুমিৎ মশীং হেনবা উনরি। নোং ঙাল্লগা নুপাদুগী ইমুং মনুংনা নুপীদুগী য়ুমদা নঙগী নচানুপীদু ঐগী ইচানুপানা/দা চেল্লক্লে হায়দুনা পাউ তাক্লদ্রিফাওদি নুমিদাং য়ুমদা হল্লক্ত্রিবী নুপীমচাদুগী মরমদা মহাক কদাইদা লৈখ্রিবনো, চেনখ্রিবরা, মীনা হাৎখ্রবরা হায়বগী ৱাফম কনাগুম্বী/কনাগুম্বা অমত্তনা পাই অমা খঙবা ঙমদ্রে।

মহৌশা মতম্না ফরিঙৈ হায়গদ্রা নুপী অসি ফার-ফারগা লৌনবা য়াম্না তানখি, মদুবু মীতৈলোলদা নুপী চিংবা হায়না খঙনখি। নহারোল লালহৌবা ময়াম থোরকপদগী নুপী চিংলগা লৌগে খনবা ওক্তবা নুপা কয়া কয়া ৱারক ৱাতেম্বা হৌরকপদগী নুপী চিংবগী থবক থনা অসি কাঞ্জথাঙ তারকখি। নুপী চিংবা নৎত্রগা নুপী চেনবা, নত্তবা মওংদা ইনিংথৌশিংনা মীগী নুপী (লোয়নবী) মুনবগী ৱারীনচিংবা হৌজিকসু লীনরি/তানরি।

হায়না শীংনবা হায়বা অসিনা করিনো? মসি মূৎখ্রবরা? নুপী অমবু নুপাগী মমা মপানা মখোয়গী মমৌ ওইজগে হায়দুনা চৎনবী অমা ওইনা নুপীমচাদুগী ময়ূমদা মাঙ্গোল কাদুনা হায়জরবগী থৌদৌ অদুবু নুপী হায়বা নৎত্রগা নুপী হায়না শীংনবা হায়না খঙনৈ। মসিগী চৎনবীসি হৌজিক মূৎলে হায়বা তাই। মরক মরক্তা অনী/মরিদি হায়না শীংনবা লৈরি অদুবু মসিদি পাক্লা শন্না চৎনরক্তুবনিনা মূৎলে হায়বা তারবনি। মতমসিদা য়াম্না পোপ্যুলর ওইরিবসিদি চেনবা চোঙবা হায়রিবসিনি।

হায়না শীংনবা মূৎখিবগী মরম্না করি? নুপীমচা অমবু পামজদুনা মমৌ ওইজগে হায়না নুপীগী মমা মপাদা নুপাগী মমা মপানা হায়জগে হায়রবদি নুপা অদু মতমসিগী লৈঙাক্কী থবক তৌবা, ঠিকাদার ওইবা, ইনাক কৈরাক খুনবা, শেল য়াম্না পায়বা নুপা অমা ওইবা তাবনি। মসি নৎত্রবদি নুপীদুমক্লা নৎত্রবসু নুপীদুগী মমা মপাদুনা মমৌ ওইজগে হায়জররিবদু ৱারেম থৌরেম, থিক নেম্বনা থা লাম্বা হায়বদু তারগা তোক্লবনি। ঙসিদি বড় ওইগদৌরিবশিংগী শেল থুমগী ফীভম নোংম-নোংমগী ফৎচিল্লক্তবনা পেনবগী ঙমখৈ লৈত্রবা নুপীগী অমদি নুপী মমা মপাগী অনীংবা অপাম্বা থুংহনবা নুপাদুনা ক্বালিফাই ওইদবনা নুপী হায়না শীংনবা চৎনবী অসি মতমগা চানরক্তুনা মতোমতা থূপচিনজখ্রিবনি হায়জনীংই। *"ঐগী ইচানুপাদু মরম ওখাক ওকই, নিশা পশা করিমত্তা চাজ লাকচদে, লাইরিক লাইশু য়াম্না হৈ, মশক মতৌ ফজৈ, ঙাওশিন্নদে"* হায়রুবদা নুপীগী মমা মপানা অদুগুম্বা নুপা অদুদা মচানুপী থাজনীংদে, মদুগুম্বা নুপাদুদা কল্লক্লদ্রে। *"কোলেজগী ওজানি, ডাক্টর ওইরি, ইঞ্জিনিয়রনি, আর্মি মেজরনি"* হায়রদি নুপীগী মমা মপাদুনা মথম্মোয়দা মোমোন মোমোন নোকচরগা খুদক্তা অদুম য়েস লুহোংলসি হেক্তা হায়রে। মসিগী ফীভম অসিদগীনি হায়না শীংনবা মূৎখ্রিবসি। অসিগুম্বা হায়না শীংনবগী জুগোৎ চাদবা ময়ামসিদগী ইরায় লায়না কান্থোকপা য়াবদি চেনবা চোঙবা হায়বসিনা খ্বাইদগী বেষ্ট তারে। চিংবগী থবক্তি লৈবাক মীয়াম্না ৱারক্তুনা খ্বাং তেকপা য়াই।

চেনসি কদায়, হায়না শীংনসি কদাই? অনীমকসিগী অফবা ফত্তবা অদুম লৈবা ঙাক্তনি। মসি মতম মতমগী ফবা নৎত্রগা ফত্তবা হায়বদু ওইজরকপনি। নুপী চেনবা হায়বসিদি হৌজিক্কী মতমদা অফবা পোৎতি ওইদ্রেনা লৌবা য়ারে। চেল্লিবনি হায়না পুথোকপীখিবী নুপীজা কয়া হাৎপীরল্লিবা অসি থেঙ্গৌ য়ামশিল্লক্লে। মসিদবু চেনবা হায়বসিবু কিনীংঙাই ওইদে হায়বা য়ারিবরা? ইমুংগী মমা মপা, মবুং-মৌপ্বা, মচে-মচল কনা অমত্তা হেক খঙহন্দনা চমজরবী নুপীমচা অমনা নুপা অমগা কদাইদনো খঙদনা চৎমিন্নখিবা হায়বসিবু অফবা থবক্লনে? মসিদি শিবা হিংবা হায়বসি দাউ দাউদা লৈরে। হাৎলমগদ্রা, নীংথিনবু থম্বীরমগদ্রা, লাইগী নোংদমদা তারে।

ওইররোইদৌবা ৱা অমা! হায়না শীংনবনা ফৈ হায়দুনা মসি ওইনা চৎনরসি হায়রুরবসু নুপা অদু নুংঙাই য়াইফবা, ইনাক কৈরাক খুনবা, লৈঙাক্কী থবক তৌবা নুপা নৎত্রবদি নুপী ময়ূম্না মচা থাজনীংদে। হায়না শীংনবগী ৱাসিমসু অরেম্বা তারে। নুপা লোইনা থবক ফংবা, শেল পায়বা য়াবসু নত্তে। চেনবনা ফরব্রা হায়রসু চেনখিবী নুপীমচা অদুগী লাইবক্তা হিংবা-শিবা তম্বা ঙমদবগী ফীভম লাক্লে, করিনা ফরিবনো হায়ফম খঙদ্রে। হেঞ্জিনখিবা অমদি ৱাৎখিবা পূম্বা ঙাকপীগনি। ৱারেম থৌরেম ওইবা ৱারেং ওইনা থোক্লদরা ঐনা ইজরুরিসে? ●

# অঙাংদা তায়নবা য়ারক্তবা

**নবকুমার ওইনা**

নুমিৎ মঙানি মায়কৈ নিপান্দগী লাউরিবা ময়ামদু তাখ্রে। ইমান-মান্নে, মতম মান্নদবগী ৱাতনি, ৱাহৈদদি লিংজেল য়াম্না মান্নরে। মদুসু শেলননি, খায়রগা মান্নবা লিংজেলনি, শেলদু লৈত্রবদি লিংজেলসু লৈতে হায়বদুনি। লিংজেল মান্নবদা শন্দুং ইন্নবা মানবসি লমদম অসিতবু ওইবসু য়ারিবনি। শেলনা ঙমদবা লৈতে হায়নরিবসিসু অদুম তুং ইন্নরিবনি। লৈতবগী হায়রবদি ভোট ফাওবা য়োল্লগা চারবা খুন্নাইনি।

খায়গনিতা খল্লবা কদায়দগী শেল পায়রদগে, খায়বদু তোকপদা শেলদু লাক্ত্রে। খায়বা তোকপদগী মূৎখিবা ইমুং য়াওনরবনি। ওফিসকী থবক তৌরিঙৈদনি, ইমা ইবেন মরি-মঙা লাকখি, করি করিনো অইবা চে-চাং খরা পীরগা হায়রকখি, 'লুপা লিশীং মঙাখক্তা হাপ্পীয়ু" চেদু য়েংলগা, 'ইমাখোয় মসিবু লৈঙাক্লা করিসু তৌদনা লৈথোকখ্রবরা? ওফিস অসিদগীদি মরম অসিগীদমক খায়দোক্লিঙাই শেল লৈজদে। ঐগী লৈজবা ফুরিৎখাওদা য়াওরিবা লুপা চনিসিদং হাপচগে, ময়ামগী অৱামন ওইনবা।" শেল লৌথোক্লগা চেদুগী মথক্তা থম্মী, অমনা হায়রকই, "লিশীং অমত্তদি শুহনবীয়ু।" ঐনা "তৌবীরনু, ময়ামদগী খায়জিনবসু হৈবা নচ্চদে, হাপচরিবসি লনাইনি" খূবাম চাংজৌ তরা থাঙ্গৎলি। করি-করি মুরুম-মুরুম ঙাওনখি, শেলদু লৌশিনখি। তন্না হায়খি, চেদুসু পায়বিখো, অমদা কান্নবসু য়াই। থোকখিবদা তুং থংবী নহাদুনা খজিক্তং নোক্লগা, "য়ৌজরগে, য়াম্না নুংঙাইজরে" হায়রম্বদুগী মরম ঙসি ফাওবদি খঙজদ্রি। তূমিন্না খলহৌই, মখোয়সিগী মচা-মশুদুনা নোংমৈককা পায়রদি শেল-থৌ কনখ্রনিদা। ঙসিতা খল্লকপা অমদি ইমা-ইবেলশিংদুনা য়াওশঙ য়াওরকপদা করম্না শেল খায়রমগনি, ঙসি ফাওবা হেক তোক্তেদা। ঙরাং নহান্তনি মৌ মরি/মঙা (কি মি ৫০ লাপ্পা) গাড়ী ৱায়রগা শেল খায়বা, নাক্ক থেংবা লাক্লম্মী। মখোয়গী মচাশিং লাইরিক তম্বা য়াওখ্রবনি, মখোয় লৈকায়দা মখোয়সু শেল খায়রমগদ্রা, মচাশিং উদনবা 'সিদা খায়বা লাক্লিব্রা, মওল-মওল খল্লকই। হোয়দা, চহী ৩০/৪০ খায়বগী ট্রেনিং তৌরগা লাক্লববু কৈদৌনা তোকউনি। য়াওশঙ হায়রিসি মায় কনবা, নম্ফু ঙম্বা, হুরানবা তম্নরিবনি।

মমা-মপানা য়াদুনা হুরানবগী ট্রেনিং ফংলবা, নম্ফু কল্লক্লবা মহৈরোয়শিং নোট তৌগনু য়াবা হৌনদে। অদুনবু মমা মপাদুনা শেল ময়াম, লাখ-লাখ পীজরগা থবক তৌহনগদৌরিবনি। 'দুননি, হুরানবা মশেল শৌগৎনবদগী লৈবাক্কী শেল ময়াম কৌর-কৌরগা খোমগৎনরিবসি। মমৈদদি লৈঙাক হায়রিসে শেল হুরানফমনি, ওফিস হায়রিসিনা শেল য়েন্নফমনি হায়বা য়াওনরবনি। মন্ত্রি হায়রিসে শেল খায়ফমনি, কদাইদগী শেলনো হংলুবসু খঙবা ঙম্বা নত্তে, হেক খঙবগা ভোট লেপকে হায়রক্লদৌরিবনি। লিদর হায়বসি শেল খায়ফম খঙবদুনা ওইনরিবনি, য়াওশঙদা মপান থোক্লা য়াওরক্ত্রবা থাবল চোঙবা হৈত্রবা ময়ূম পানববু খঙনদ্রিবনি হায়বা লৈরিবনি। লৈশাবী মচাশিংনা লম্বীদা শেল নিগনি, য়ুম য়ুমদগীসু খায়গনি অদুগা থাবল চোঙগদৌরিবনি। তশেংবদি এদভর্টাইজ তৌবা অমা য়াওরিবনি, হেরো খলহৌবগী ৱা অমা য়াওরিবনি। হান্না খঙনবশিং থাবল চোঙবগী পাউ পীনরিবনি, মমা মপানা য়ানা চত্থরিবা য়াওনশঙ থাবল চোঙবা হায়রিবনি। ফবগী ফত্তবগী ৱা খল্লুবা য়াবা নত্তে, মমা-মপা ওইবশিংসু অসুম তৌরগা হৌরকখ্রিবনি, নহা ওইরিঙৈদা খরসু ঙাওজহৌসনু হায়বা লৈরিবনি। শেল পায়বা ইমুংগী মচাশিংনা দ্রগ য়াওনা ঙাওখৎলকইবনি। নুংঙাইরিবদি ময়াংমচা তরামুক গাড়ী মচাদা অনী-অনী তোংলগা (হাফ পেন্টবু শেৎলি) থাবল চোঙফম কোয়থি থিবা য়াওরিবসিসু মথেল অমনি। কনা অমনা ফুরুপ্তগী নান্থোকখিবদা ইচা-ইশুশিংদা তায়নবা লাল্লি হায়গনি। কুইনা লৈমিন্নরকপগী শকসু ইমান মান্নবা, ফিজোলসু ইমান মান্নরে, অবের তৈবা য়াওরবনি, মখোয়গীদা য়াদবদু অসিদদি য়ারিবনি। খুন্নাইসি ঙাক-শেল্লিবনি হায়দুনা লাওরি, নাকল অমদনা স্পোর্টসকী ফুরিৎ লিৎলিবী নুপীমচাশিং অবের তৈবিরি। কয়াদা নুংশিনা ফজখ্রবা নাট হায়বদু ওইরিবনো। লাইশঙ অচৌবা অদুদনা চোঙবা ফাওবসু ঙমদ্রবা হনুবী হনুবশিংদুনা মরেং ফাওবদি নোন্নগা ঈশৈ মরক্তা অঙাংবদু তৈনহৌরি। সেক্যুলরিজমনিদি হায়রগা মন্ত্রি-ফাত্রি ফাওবা য়াওখৎলকইবনি।

অখঙবা ময়াম্না য়াওশঙ হায়বসি মুন্নগনি, লাইগী মমিংসু শেরান-তুরান থেৎচিল্লগা লাওবা তোক্ত্রিবনি। রেদিও, টি ভি য়াওনা লান্না লান্না লাউরিবনি। খঙদবগীসু ইকায়বা পোক্লবা নত্তে, অঙাংশিংগা চপ্পু মান্নরি; ঙম্মী, তৌনীংবা তৌবা ঙম্মী হায়বা উৎনরিবনি। য়ূমদা চঙশিল্লগা ঈশৈ শকচিল্লগা ধুলোক-চোলোম তৌরগা লুপা লিশীং অনী/অহুম লৌবা ঙম্বগী মায় খূৎকন অদুমদি খরা হন্থরে হায় তারে। অদুগা লম য়েংবা, কোয়বা চৎনরিবনি, লাইগী মিংদা অদুসু-অদুম-অচুম্বা শানরিবনি। হৌজিক্লা য়ানীংদবা শারগা শেল খায়জিল্লগা মৌ জগোয় য়েংনবনি হায়বদুনি। শেলদি দবল তিংনরে, য়াওনশঙগী নাক্ক থেংবসু তোকপা নত্তে, স্পোর্টসকী প্রাইজ, চা-নুং, করি-করিনো কদায়দগীনা তৌগনি। লৈঙাক্কী ফাইনান্স মিনিষ্টর ফাওবা থাজবা ঙম্নদ্রবদা ক্লবকী গভর্ণমেন্টনা কমদৌনা থাজনরিবনো। মদুদুম খন্নদ্রিবমখৈ স্পোর্টস য়াওনশঙ হিংখিগনি খল্লি। ওলিম্পিক্কুমদি তোকপু তোক্লখিবা য়ারি। ফাগিগী স্পোর্টসনা হেন্না কনখৎলক্লি।

থাবল চোঙবগী পর্মিসন পীরিবা ওফিসরসি করম্বা মখলগী ওফিসর ওইবা তারি। ফুরুপ অমগী ইন্টরেষ্টতা মীয়ামগী লম্বী থৎপা য়াহল্লিবা ওর্দর পীবা ঙম্লিবসি লোদু খঙবা ওফিসরদি লৈরে হায়বনি। লো অদুনা কনানা শেমখিবনো? খূত্তি পায়নরগা এস ও পি ঙাক্কদৌবনি হায়বসু ময়েক শেংনা ইরগা পীবরা? ফিঙাং শেৎলবদি ইয়া য়াব্রা? লাই হরাওবদি নুমিদাংদা কোয়তান তান্নখিবগী ৱাসু লৈখি। হন্দক্তি লৈঙাক অসি য়াম্না ফরে হায়নরিবনি, য়াওনশঙ নুমিৎ মঙানি পুলিস ময়ামসু খরদি পোত্থাবা ফংনবা মাল্লি। পুং মাপনদগী ওফিস কাগদৌবনি হায়রিবসিবু শেলসু হেনগৎকদৌরিব্রা? লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিং পোত্থারগা লো এন্দ ওর্দর ফগৎলবনি হায়না লৌগদৌরিব্রা? লো এন্দ ওর্দর ফগৎলগা নহাশিং অহিং নুংথিল খঙদনা থাদোক্লবসু লম্মাংদা অশি অনা য়াওররোই হায়বা লৈখ্রবরা? নহা শিবা য়াওরগা অহলশিংনা মীফম ফম্লগা ভিদিও কাপ্পরিবা কয়া শুরবগে? মদু অদুম চত্থখিগদৌবনি হায়বা লৈরব্রা? য়াওনশঙ হায়রিবসিদি লাই অমত্তগা মরী লৈনরক্তবনি। লাইনীংনা লৌশিনবা হৌখিবদগী মীশি মীনা হেনগৎলকপনি হায়বা য়াওরবদি কমদৌবা? ফুরিৎ মথক মখা ওন্থোক্লরগা পুলিসকী মমাঙ মক্তদগী চেনখিবা ঙম্মী হায়বদু তাগদৌরিব্রা?

অহলগী ৱানা চফু মেল্লি হায়বসু অহল পান্দ্রদি করি থোক্কদৌরি। মপা-মমা থাক্লিংদবা মচা য়াওরকপবু মচাদতা তাহনবা য়াগদৌরিব্রা? থৌদাংদি লৌদনা অহল শাবা য়াব্রা? অপঙবা মমা-মপা য়াওরবদি মচাশিংগী য়েক্লবা ওইরকই হায়বসু লৈরিবনি। হৌজিক ময়াম্না হিংলিবসিদি থায়নগী খুন্নাইদু নৎত্রে, রেদিও, টেলিস্কোপ লৈরবা মতমনি। ইশা ইশাগী অপেনবা-নুংঙাইবা খরগীদমক থায়নগী ফুঙ্গা ৱারীদা য়ূম্ফম ওইরগা হিংবা য়াফম থোক্তবনি। মহৈ মশীন তম্নরবা নহা পূন্নমক্লা ইমা ইপাগী মরলনা হিংখিগদৌবনি খনবা লাল্লবনি হায়বসি খঙবা মতম য়ৌরবনি। অখঙবা খরদি থবক হৌনবা য়াওখ্রবনি। ইরোইরিবা মীগী মখ্বাংদা য়ান্নবা নূঙ ওইনবা পোকপা কনাসু য়াওদে হায়বসি নহাশিংনা খঙফম থোক্লবনি। থাবল চোঙনা চোঙনা য়াল্লগা চৎপদা থংনবনা করি হায়রকপা অমুক্তং ওইনা খঙদোকপা চুম্মী। থাবল চোঙবনা ফজবা নত্তে, পরেং লেংবা অদুনি ফজরিবদি, নতোমতগী খনগনু ময়ামগী খল্লু হায়বা অমা মমা-মপা ওইবশিংনা হায়বিফম থোকই।

মচাশিংনা ফিজেৎ লৈতেংলগা থাবল চোঙবা য়েংলগা পেঞ্জবা-নুংঙাইজবা মমা মপা য়াওদবা নত্তে। শিবা-নাবা য়াওরবদি ফিঙৌ শেৎলগা মীফম ফম্নগনি হায়বসু ইচাশিংগী কুম্মৈ য়েংনা য়েংনা কাউবা য়াদবা ৱানি। লৈকায়গী মায় ঙাক্লবা, মখোয়না হেন্না ফজনা চোঙবা য়াব্রা ঐখোয়গীসু চোংঙু হায়রবদি ফিঙৌ শেৎলগা ভিদিও কাপ্পগী অৱাবা নংবদসু অঙাংশিংদতা তায়নবা ঙম্নরোইদৌরিবনি। ●